**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 14-02-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ৩৮ শুবা নেসনেল গেমস ঙসি চীং লেন্নবা থৌরম অমগা লোয়ননা উত্তরাখন্দগী হলদ্বানি ইন্তরনেসনেল স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লোইশিনখ্রে।

২) গেমস অসিদা মনিপুরনা সনাগী তকমান ১৪ য়াওনা পুন্না তকমান ৫৫ ফংদুনা মেদল টেল্লিগী ১১ শুবা মফমদা লৈখি।

৩) মনিপুরদা নাগা ফুরুপকী মরু মরাং হুনবগী কুম্মৈ-লুই-ঙাইনি হয়েং সেনাপতি জিলাদা পাঙথোকবা শেম শাবা লোয়রে।

রাজ্যপাল অমসুং মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ইন্দিয়াজ এক্ট ইষ্ট পোলিসি অমসুং থাইলেন্দস এক্ট ৱেষ্ট পোলিসিনা লৈবাক অনিগী চাওখৎপদা হেন্না মতেং পাংলি।

অমসুং

৫) নুপীশিংনা মখোয়গী মঙলান হেন্না চাউথোকহন্দুনা মঙলান অদুবু মঙফাওননবা হোৎননবা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা আপীল তৌরি।

------

গেমস ঃ ৩৮ শুবা নেসনেল গেমস ঙসি লোইশিনখ্রে। উত্তরাখন্দদা মমাং থাগী ২৮ চথুরকখিবা গেমস অসিগী ঙসি হলদ্বানি ইন্তরনেসনেল স্পোর্টস

কমপ্লেক্সতা লোইশিনখি। মথংগী নেসনেল গেমস মেঘালয়দা পাঙথোক্লগনি। গেমসকী ফ্লেগ ইন্দিয়ান ওলিম্পিক এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট অমসুং এম.পি. ডাঃ পি.টি. উসানা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ্‌দা খুৎশিন্নখি। শ্রী অমিত সাহ্‌না ফিরাল অদু মথংগী নেসনেল গেমসকী য়ুম্বু ওইগদৌরিবা মেঘালয়গী মুখ্য মন্ত্রি কোনরাদ কে. সংমাদা খুৎশিন্নখি।

নেসনেল গেমস লোইশিনবগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ্‌না হায়- শান্ন-খোৎনবা হায়বসিদি মায়থিবা অমসুং মায় পাকপা লৈগনি। গেমস অসিদা তকমান ফংহৌদে হায়দুনা নিংহন্নবা পোক্লোইদবনি। মেঘালয়দা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৯ শুবা নেসনেল গেমসতা শরুক য়াদুনা তকমান ফংনবা হেন্না হোৎনগদবনি।

৩৮ শুবা উত্তরাখন্দ নেসনেল গেমস হৌনবী মতুংইন্না লোইশিনখ্রে। ইন্দিয়ান ওলিম্পিক এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ডাঃ পি.টি. উসানা গেমস অসিবু লোইশিল্লে হায়না লাউথোকখি।

গেমস অসিদা মনিপুরনা সনাগী তকমান ১৪, লুপাগী তকমান ১৬ অমসুং শেঞ্জেংগী তকমান ২৫ য়াওনা পুন্না তকমান ৫৫ ফংদুনা মেদল টেল্লিগী ১১ শুবা মফমদা লৈখি।

সাভির্সেস স্পোর্টস কন্ট্রোল বোর্ডনা সনাগী ৬৮, লুপাগী ২৬ অমসুং শেঞ্জেংগী ২৭ পুন্না তকমান ১২১ ফংদুনা গেমস অসিগী চেম্পিয়ন ওইরে।

মহারাষ্ট্রনা সনাগী ৫৪, লুপাগী ৭১ অমসুং শেঞ্জেংগী ৭৬ পুন্না তকমান ২০১ ফংদুনা রন্নরসঅপ তারে। অদুগা হরিয়ানানা সনাগী ৪৮, লুপাগী ৪৭ অমদি শেঞ্জেংগী ৫৮ পুন্না তকমান ১৫৩ ফংদুনা ফার্ষ্ট রন্নর্সঅপ তারে।

দিসি (এল) ঃ মণিপুরদা থোক্লিবা কাংলুপকী ইরাং অসিনা লাঞ্জেন্নরক্কুনা থৌবাল জিলাগী রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংগী রেসিদেন্সিয়েল স্কিল ত্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকপদা রাজ্য সরকারনা অয়াবা পীরে।

থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিগী মখাদা ইয়ার ইন্দিয়ার অমসুং ইন্দিগো এয়ারলাইন্সতা

কেবিন ক্রু ওইনবগীদমক মীওই ৫০০ ত্রেনিং পীগনি। ত্রেনিং অসিদা য়াওনিংবা মীওইশিংনা রিলিফ কেম্প নোদেল ওফিসারগী খুত্থাংদা থা অসিগী ১৭ ফাওবদা অকুপ্পা মরোল পীশিল্লকপা য়াগনি হায়রি।

চুরাচান্দপুর জিলাগী ওইনসু চহি ১৮ দগী ২৭ ফাওবগী মনুংদা লৈবা শকখঙলবা য়ুনিভর্সিতিদগী গ্রেজ্‌য়েট লোইরবশিংনা দিল্লিদা রেসিদেন্সিয়েল স্কিল ত্রেনিং প্রোগ্রাম য়াওবা য়াগনি হায়রি। য়াওনিংবা কেন্দিদেটশিংনা থা অসিগী ১৮ ফাওবগী মনুংদা মরী লৈনবা এস.দি.ও ওফিস নত্রগা দি.সি ওফিসতা নমথোক্লবা ফোর্ম মেনশিল্লগা পীশিল্লকপা য়াগনি হায়না চুরাচান্দপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা হায়রি।

বেতি (এল)ঃ  বেতি বচাও বেতি পরাও চহি ১০ ফারকপগা মরী লৈননা প্রি কনসেপসন এন্দ প্রি নেটেল দাইগোষ্টিক টেকিক্স এক্টকী মখাদা মীয়াম্বু হেন্না ভাব তাহন্নবা থৌরম অমা নোনে জিলাদা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন নোনেনা আই.সি.দি.এস সেল অমসুং ৱান ষ্টোপ সেন্তর নোনেগা পুন্না শিন্দুনা খুমজিদা লৈবা সেন্ট জোসেফ স্কুলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মহৈরোই ১৩৫ রোমা শরুক য়াখি। থৌরম অসি বেরেন বেপটিষ্ট একাদমিদসু পাঙথোকখি। মদুদা মহৈরোই ১৬০ রোমা শরুক য়াখি।

লুই-ঙাইনি(এল) ঃ  মনিপুরদা নাগা ফুরুপকী মরু মরাং হুনবগী কুম্মৈ-লুই-ঙাইনি পাঙথোকবা শেম শাবা লোয়রে।

নাগাশিংগী খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈ অসি য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলগী মীৎয়েং মখাদা ষ্টেট লেবেল ওর্গনাইজিং কমিতিনা শিনবনি। কুম্মৈ অসি সেনাপতি জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসকী কাতোমিদা পাঙথোক্কনি। নাৎকী জগোই ঈশৈনা কুম্মৈ অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইগনি।

ঐখোয়গী সেনাপতি পাউমী-এ. হেখিনিনা হায়-কুম্মৈ অসিদা শরুক য়াগদবা মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী নাগা ফুরুপকী মীওইশিং অমসুং কুম্মৈ অসিগী বার্ত্তন ফংলবা মীওইশিং থুংলবা হৌরে।

নাগাশিংগী মরু মরাং হুনবগী কুম্মৈনা লাকপদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা মণিপুরগী মীয়াম, মরুওইনা নাগা জাতিশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। পাউজেল অমদা রাজ্যপালনা হায়- কুম্মৈ অসিনা হরাউ নুংঙাইবা অমদি মহৈ মরোং মরাং কায়না লোকবা ঈশ্বরদা থৌনিজৈ। লুই ঙাই নিনা নাগাশিংগীতা নত্তনা জাতি খুদিংমক্কী অমত্তা ওইবা, শান্তি লৈবা, নুংশি চান্নবগী খুদম ওইরি। মহাকা হায়- হৌখিবা চহি কয়াদা লুই ঙাই নি অসি শিংথানিঙাই ওইবা য়াবা তুরিষ্ট ফেষ্টিভেল অমা ওইরক্লি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা মীপুম খুদিংমকপু য়াইফ পাউজেল পীরি।

মহাক্কী পাউজেলদা মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তানা হায়- লুই ঙাই নি কুম্মৈ অসি অফবা মহৈ মরোং লোকনবা অমদি মীয়ামগী য়াইফনবা মপু মাগী মফমদা থৌনিজবনি। লুই ঙাই নি হায়বসি তাম্খুল-রোংমৈ অমসুং মাওগী লোল মরু মরাং হুনবা হায়বনি। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা নাগা জাতিশিং অমসুং মণিপুরগী মীয়াম লাকিবা চহি অসিদা নুংঙাই য়াইফবা ওইরসনু।

মেসেজ (এল)ঃ কুমশি চহিগী কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরিনা লৌবা ক্লাস এলেভেন অমসুং তুয়েল্বকী পরিক্ষা থাগদবা মহৈরোইশিংদা থৱায় হকচাং য়াওনা নিংথিনা পরিক্ষা থাবা ঙমবা বিধান সভা অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহৈরোইশিংনা মশাদা থাজবা থমদুনা অকিবা লৈতনা পরিক্ষা থানবসু মহাকা হায়রি।

কোকোমি (এল)ঃ কোওর্দিনেতিং কমিতি ওন মণিপুর ইন্তিগ্রিতি (কোকোমি)না হায়রি- ভারতকী রাষ্ট্রপতিনা মণিপুরদা রাষ্ট্রপতি সাসন থল্লে হায়দুনা গেজেদ নোতিফিকেসন থোরকখিবা হায়বসি মণিপুর মীয়ামগী ওইনা খ্বাইদগী লাইবক থীবনি।

ইম্ফালদা লৈবা কোকোমিগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা কোকোমিগী ৱাঙাংলোই খুরাইজম অথৌবনা হায়- ভারত সরকারগী থৌওং অসি গনতন্ত্রগী মায়োক্তনি। মহাকা হায়- মণিপুর বিধান সভাগী মীফম ফমগদবা

নোংম ৱাৎলিঙৈদা মীয়ামদা করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা খঙহল্লমদনা মুখ্য মন্ত্রি ফম থাদোকখিবা অসি মীয়ামগী গনতন্ত্রগী হক মৎপগা চপ মান্নে।

চান্দেল (এল)ঃ  চান্দেল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা আয়ুসমান অরোগ্যা মন্দিরশিংদা হকশেলগী মেলা পাঙথোকখ্রে। মেলা অদু পুরুম তম্পাক, উনোপাৎ অমসুং খুদৈ খুনৌদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা হেলথ চ্যেকঅপ অমসুং ন্যুমোনিয়া করমা ঙাকথোক্কদগে হায়বগী মতাংদা মীয়াম্বু খঙহনবগী থৌরমশিং পাঙথোকখি।

ঈ (এল)ঃ  রিমস ব্লড বেঙ্কতা লাইফ সেভরস মণিপুর, আর.দি.ও কলেজ ওফ নর্সিং লমশাং, লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল নিংঙোল অমসুং আই.আর.সি.এস ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিন্দুনা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ববিনা (এল)ঃ  এসোসিয়েসন ওফ  হেলথ কেয়ার প্রোভাইদরস ইন্দিয়ানা ইম্ফাল ইষ্টকী খাবৈশোইদা লৈবা আমেরিকান ওনকোলোজি ইন্সটিট্যুট ববিনা স্পেসিয়েলিতি হোস্পিতালদা এক্সেলেন্স ইন নর্সিং প্রাক্তিসেস এৱার্দ ২০২৫ পীরক্লে। মনা অসি কেরলাগী কোচিদা পাঙথোকপা এসোসিয়েসন অসিগী থৌরম অমদা য়েন্থোকখিবনি।

রাইতরস (এল)ঃ  পেট্রিয়োতিক রাইতরস ফোরম মণিপুরনা পীবা লিতরেরি এৱার্দ ফংগদবশিংগী মীং লাউথোক্লে। সুরেস খুন্দোংবমদা অরাম্বম ইবুংঙোহল এন্দ বিনোট কুমারি লিতরেরি এৱার্দ ২০২৪, রাজকুমারি নয়নসনা দেবীদা আর.খথিন তাংখুল লিতরেরি এৱার্দ ২০২৫, কৈশাম বিজয় কুমারদা পচা মীতৈ লিতরেরি এৱার্দ ২০২৫ অমসুং থোকচোম থোয়াংবাদা ডা.সরোজ নলিনি অরাম্বম পরট লিতরেরি এৱার্দ ২০২৫ পীরগনি।

মোদি ঃ  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ইন্দিয়াজ এক্ট ইষ্ট পোলিসি অমসুং

থাইলেন্দস এক্ট ৱেষ্ট পোলিসি অসি চুশিন্নৈ। মসিনা লৈবাক অনিগী চাওখৎপদা হেন্না মতেং পাংলি।

থাইলেন্দনা শিন্দুনা সম্বাদ প্রোগ্রামদা শরুক য়ারদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ভারত অমসুং থাইলেন্দগী মরক্তা চহি লিশিং অনি হেল্লবা কলা সংস্কৃতিগী অচেৎপা মরী লৈনৈ। মহাকা হায়- মীফম অসিনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না চেৎশিনহন্নবগী অনৌবা পন্দুপ অমনি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- থাইলেন্দ অসি মশাগী ইনাক খুনবা কলা সংস্কৃতি, ইতিহাস অমসুং হেরিতেজ লৈজবা লমদম অমনি। চৎলিবা চহিচা অসি এসিয়াগী চহিচানি। মহাকা হায়- এসিয়াগী চহিচা হায়রিবসি শেল থুমগী খক্কী নত্তে, খুন্নাইগী ওইবা মগুন অদুসুনি। শ্রী মোদিনা হায়- ভগবান বুদ্ধনা তাকপিরম্বশিং অদুনা ঙসিগী মালেম অসিদা শান্তি অমসুং চাওখৎপা পুরকবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইগনি। মহাকা হায়- ঙসি থোক্লিবা চরাংনবশিং অসিনা মীয়াম অমসুং লৈবাকশিংগী মরক্তগী হেন্দোক্কুনা মীওইবা জাতিগী মরক্তা চাউনা শিংনবা অমা ওইহল্লক্লি। মসিনা মালেম অসিদা চাউনা শিংনবা অমা লাক্লে।

মুরমু ঃ নুপীশিংনা মখোয়গী মঙলান হেন্না চাউথোকহন্দুনা মখোয়গী মঙলান অদুবু মঙফাওননবা থৌনা অমসুং পাঙ্গল লৈনা হোৎননবা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা আপীল তৌরি।

বেঙ্গলুরুদা ১০ শুবা ইন্তরনেসনেল ৱিমেন্স কনফরেন্স হৌদোক্লদুনা রাষ্ট্রপতিনা হায়- নুপীশিংনা মতম লৈবা খিবিক্তা অকি তুজংবা ফাওরোইদবনি। মখোয়গী পান্দম অমা থম্বগা লোয়ননা অথিংবশিং থুগাইদুনা নুপাখক্তগী ওইবা থবকশিংদসু য়াওশিন্নবা হোৎনগদবনি। রাষ্ট্রপতিনা হায়- মীওইবগী ভেল্যু হেনগৎহন্নবা অমত্তা ওইবা অমসুং নুংশি চান্নবা লৈনবা মীপুম খুদিংমকা হেন্না হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। নুপীশিংদা লম খুদিংমক্তা মাংজিল থানবা অখন্নবা হৈথোই শিংথোইবশিং লৈ হায়রদুনা রাষ্ট্রপতিনা হায়- মালেম, সমাজ অমসুং ইমুং মনুংগী থবক থৌরমশিংদা শরুক য়ানবা অমসুং মাংজিল থানা চৎপা ঙমবা ৱাখল লৌশিং থোকা লৈবা তঙাইফদে।

পুলৱামা ঃ ইং কুমজা ২০১৯ গী পুলৱামা এট্টেক্তা লৈখিদ্রবা লান্মীশিংগী

মফমদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা শ্রদ্ধাঞ্জলি কৎলি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়-লাক্কদৌরিবা মীরোলশিংনা মখোয়গী কৎথোকপা অমসুং জাতি অসিগীদমক নীংহন্নবা লৈতনা কৎথোকখিবশিং অদু নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি।

জম্মু কাশ্মিরগী পুলৱামা জিলাদা টেরোরিষ্টশিংনা এট্টেক তৌরকখিবা অদুগী ঙসি তরুকশুবা কুমওননি। থৌদোক অদুদা সি.আর.পি.এফকী মীওই ৪০ সয়িদ ওইখি।

গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনসু পুলৱামা এটেক্তা লৈখিদ্রবা জৱানশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলক্লি। মহাকা হায়- ইং ২০১৯ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা পুলৱামাদা তেরোরিষ্টশিংনা চখ্বরকখিবা এটেক্তা লৈবাক অসিগী থৌনা ফরবা জৱান ৪০ লৈখিদে। মখোয়মগী মফমদা নুমিৎ অসিনা লাকপদা শ্রদ্ধাঞ্জলি কৎলি।

মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয়কুমার ভল্লানা পুলৱামা এটেক্তা থৱায় থাখ্রবা থৌনা ফরবা সি.আর.পি.এফকী জৱানশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলক্লি। মহাকা হায়- মখোয়না লৈবাক অসিগীদমক কৎথোকপগা লোয়ননা তৌরম্বা থবকশিং কৈদৌনুংদসু কাউবা ঙমলোই।

হান্নগী মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎ সিংহনসু পুলৱামা এটেক্তা লৈখিদ্রবা সি.আর.পি.এফকী জৱান ৪০ গী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলক্লি। মখোয়গী থৌনা লিংজেল মতম লৈবাক খিবিক্তা নিংশিংদুনা লৈরগনি।

রাষ্ট্রপতি ঃ রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা নিউ দেল্লিগী মেজর ধ্যান চান্দ স্তেদিয়মদা আদি মহোদসব ২০২৫ হৌদোক্লগনি। থৌরম অসিনা লৈবাক অসিগী ত্রাইভেলশিংগী থৌনা, খূৎশা হৈবগী থবক, নাৎ, চান-থকবা অমসুং লল্লোন ইতিকশিং উখোকবা পান্দম থল্লি।

নিউ দিল্লিদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা ত্রাইবেল এফ্যারসকী রাজ্য মন্ত্রি দুর্গাদাস উইকেনা হায়- থৌরম অসিনা তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংদগী লাকপা ত্রাইবেল আর্তিসানশিং অমসুং ওন্তরপ্রেন্যুরশিংদা প্লেটফোর্ম অমা পীবনি। মহাকা হায়- মীফম অসিনা ত্রাইবেল ওন্তরপ্রেন্যুর ৬০০ লোম পুনশিনবগী খুদোংচাবা

পী। নুমিৎ ৯ নি চখুগদবা থৌরম অসিগী ২৪ দা লোইশিনগনি।

পাকিস্তান ঃ পাকিস্তানগী বেলোজিস্তানগী মনুং চনবা সহারাগ এরিয়াদা বোম পোখায়বগী থৌদোক অমদা শিন্মী ১১ লৈখিদ্রে, অতৈ ৭ না ফীভম লুনা শোক্লে। বোম অদু লম্বগী মতাইদা ফুল্লম্বনি। কোইলা খোনিগী শিন্মীশিং তোংবা ত্রক অমনা তক্লুবদগী পোখায়রকখিবনি।

--হৌজিক মখা তাবা শান্নবগী পাউ --

ফুটবোল (এল)ঃ জিরিবামদা চখুরিবা অহানবা থিংবাইজম অতোয়াইমা মেমোরিএল ওপন সিক্স এ সাইট ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা ৱাই.এস.সি.ঐচ.(বি)না ঈচেল ক্লব-দিবোংবু পাঞ্জল ৪-৩ দা থোইখ্রে। অনিসুবা সেমি ফাইনেলদা ৱাই.এস.সি.ঐচ (এ)না এস.আর.সি.কে কদমতালাবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখি।

ফুটবোল (এল)ঃ ১৫ শুবা সাহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিয়েল সি.আর.পি.এফ ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এস.জে.সি শলামনা রাউবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ মরিশুবা এম.এন.সি.এ. বোইস অন্দর ফোরটিন টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি তোঙান তোঙানব গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচশিংদা এ.কে.এস.দি.ও খাঙবোকনা কে.সি.সি কোংববু ৱিকেট ১০ দা, কে.এস.দি.ও ক্যামগৈনা এল.সি.সি লমশাংবু রন ১৮৫ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ ২ শুবা এম.এন.সি.এ ৱিমেন্স অন্দর ফিফতিন ৱান ডে ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা থাউ থাংমৈবন্দনা সেদো থাংমৈবন্দবু রন ১০৬ তা থোইখ্রে।

ক্রিকেট (এল)ঃ ৯ শুবা দব্লিউ. প্রহ্লাদ অমসুং দব্লিউ রামানন্দ ইলিত তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা পি.টি.আর.সি পাৎশোইনা ত্রাউ ক্বাকৈথেলবু রন ৪৪ দা মায়থিবা পীখি।

ক্রিকেট (এল)ঃ ১২ শুবা টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি লংথাবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা বি.এস.সি.এ ব্রাহ্মপুরনা এস.এন.সি শঙাইপ্রৌবু রন ৩২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

------